**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-01-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১২-০১-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্টতগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে। তেংনৌপলদগী মীওই অহুম কে.জি.৫ রোম হেনবা দল্লিয়ু ৱাই তেল্লেটকা কোন্ননা ফাখি।

২) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু নেসনেল য়ুথ ডে পাঙথোক্কনি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়া পুরকপগা লোয়ননা নিংথিনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনবা লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

----

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা আইন কাইবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী

মাইকৈদগী পায়খৎপা য়াবা চেকশিল থৌরাংশিং লেপ্পা লৈতনা লৌখৎলি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক য়াম্বেম মখা লৈকাই এরিয়াদগী ফাখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা তেংনৌপল পুলিস স্তেসনগী নাকা চেক পোইন্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অহুম কে.জি.৫ রোম হেনবা দল্লিয়ু ৱাই তেল্লেটকা কোন্ননা ফাখি। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা মহিন্দ্র বোলেরো অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা থা অসিগী ৫ দগী ঙরাং ফাওবদা আইন কাইনা গারি থৌবশিং মোতোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা পুন্না গারি ৭৭ চলান কক্তুনা শেল ওইনা লূপা লিশিং ৭৪,৫০০ খোমগৎখি। থা অসিগী ৪ দগী ১০ ফাওবদনা গারি ৩ দা নপ্লম্বা তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখি।

**বুক (এল)ঃ**মণিপুরগী জিওপোলিতিকেল হিষ্ট্রিগী মতাংদা হান্নগী কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি ডা.আর.কে.রঞ্জনগী জিওপোলিতিকেল রিলেসন্স ওফ প্রিন্সলি ষ্টেট-মণিপুর ৱিথ নাইবরিং রিজন হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙরাং ফোঙখ্রে। লাইরিক অসি নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বুক ফেয়রদা ফোঙখিবনি। থৌরম অদুদা, নেসনেল বুক ত্রষ্টকী চেয়রমেন প্রোফেসর মিলিন সুধাকর মরাথে অমসুং এন.বি.টিগী দাইরেক্তর শ্রী যুভরাজ মালিক শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা, লাইরিক অসিগা মতাংদা লোক সভাগী দাইরেক্তর ইন্তরপ্রিতেসন শ্রী দৎচহবন্ত সামোননা মোদরেতর ওইদুনা পেনেল দিস্কসন অমসু পাঙথোকখি। দিস্কসন অদুদা, পার্লিয়ামেন্তরি এফিয়র্স মন্ত্রালয়গী চিফ ওফ মেদিয়া এন্দ কম্ম্যুনিকেসন অরিবম ইবোমচা শর্মনা লাইরিক অদুগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**অনাল (এল)ঃ** অনাল পেথা নি অলুম ২০২৬ ঙসি পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি অনাল নাগা য়ুনিয়ননা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী অনাল খুলেন ভিলেজতা পাঙথোক্কনি।

**রিমস(এল)ঃ** স্বামি ভিভেকানন্দ জয়েন্তি নেসনেল য়ুথ ডেগী থৌরম ঙসি ইস্ফালগী রিমস বেন্তিং হোলদা পাঙথোক্কনি। ভিভেকানন্দ কেন্দ্র কৈন্যকুমারি, মণিপুর বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি এম.এল.এ থোঙাম বিস্বাজিৎ অমসুং রিমসকী দাইরেক্তর ডা.জি.এ.সুনিল কুমার অমদি ভিভেকানন্দ কেন্দ্র কৈন্যকুমারি, মণিপুর বিভাগকী, বিভাগ সঞ্চালক ডা.সি.ঐচ চন্দ্রমনিনচিংবা শরুক য়াগনি।

**রন(এল)ঃ** স্বামি ভিভেকানন্দগী ১৬৪ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা রন ফোর স্বাদেসি ঙসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ত্রাফিক পোইন্টতগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি ভারত সরকারগী ইদ্যুকেসন অমসুং য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়গী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল সর্ভিস স্কিম এন.এস.এস সেলনা শিনবনি। থৌরম অসিদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর এন.লোকেন্দ্র য়াওনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী রেজিস্ত্রারনচিংবা শরুক য়াগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়া পুরকপগা লোয়ননা নিংথিনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনবা লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। রাজকোটকী কচ অমসুং সৌরাস্ত্র লমদমদা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ভাইব্রেন্ট গুজারাট রিজনেল কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাউখৎহনবা, ইন্দষ্ট্রিসকী থবক থৌরম নিংথিনা হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা মালেমগী লৈবাকশিংনা

ভারত্তা শেল থাদবীনবসু প্রধান মন্ত্রিনা মালেমগী ইন্দষ্ট্রি লুচিংবশিংদা আপিল তৌরি। মহাকা হায়-মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা গিগাৱাট ৩০গী ক্লিন ইনর্জি পার্ক কচতা শেমগৎলে। গুজরাটকী মোর্বি জামনাগর রাজকোট অসি লম অসিদা অহোংবা কয়া পুরক্লবা মরমা হৈ শিংবগী চাং নিংথিনা হেনগৎলে। মালেমগী লৈবাক কয়াগা লম অসিদা শমহনবা ঙন্লে। মরম অদুনা, মফমশিং অসিবু মিনি জপান হায়না মশানা মিংথোনজরে। প্রধান মন্ত্রিনা গুজরাটকী তোঙান তোঙানবা জিলা ৭ তা গ্রিন ফিল্ড স্মার্ট ইন্দষ্ট্রিয়েল এস্তেটস ১৩ ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হাংদোকখি।

**ইসরোঃ** ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্চ ওর্গনাইজেসন(ইসরো)না পি.এস.এল.ভি-সি.সিক্সতি টু ঙসি অয়ুক পুং ১০.১৭ তা থাগৎলগনি। পি.এস.এল.ভিগী ৬৪ শুবা ফ্লাইট ওইনা মাই পাক্লবা লোঞ্চ ভেহিকল অসি শ্রীহরিকোতাগী ছতিসধাৱন স্পেস সেন্তরদগী থাগৎকনি। লোঞ্চ ভেহিকল অসিগী মশাগী পেলোটকা লোয়ননা অতোপ্পা ভারতকী অমদি মালেমগী ওইবা কো পেসেঞ্জর সেতিলাইট ১৫ সু পুগনি। ঙসি থাগৎকদৌরিবা অসিনা ভারতনা স্পেসকী লমদা কয়া য়ামা খুমাং চাউশিল্লবগে হায়বদুগী চাংয়েং অমা ওইগদৌরি। লোঞ্চ ভেহিকল অসি অমুক হন্না শিজিন্নবা য়াবগী টেক্লোলোজিদা শেমগৎপনি হায়রি।

**চিনি** ঃ কৈথেলদা চিনিগী মমল হন্থরকপদগা চিনিগী উদ্যোগশিং চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। মসি কোকহন্নবা নেসনেল কো-ওপরেটিব সুগর ফেদরেসননা সরকারনা খুদক্তা খুৎ থিংজিনবীনবা তকশিনখ্রে।

ফেদরেসন অসিনা চিনিগী মিনিমম সেভিং প্রাইস (এন.এস.টি) কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৪১ ওইহন্নবা অমদি ইথানোল লৈবগী মমলসু হেনগৎহন্নবা দাবী তৌরি। মসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ

মন্ত্রি-অমিত সাহ্ অমসুং কেন্দ্রগী চিঙ্গাক্কী মন্ত্রি-প্রহ্লাদ যোসিদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঙসি মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং অসি অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে।

পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট লৈহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়বসিনা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চাউখৎপা ইন্দিয়া অমগী মংলান অসি মাংফাওহন্নবগীদমক ইন্দিয়ন কোতি ১৯০ না থৌনা ফনা লেপ্লি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইমিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পি.আর শাংদোক্ত্রিঙৈদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট শেম্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না স্পিকর সত্যব্রট্টনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- তোঙান মওংদা হেদলাইন তৌদুনা- গানফিউ মেলদসু ফোঙলি।

এম.জি.এন.আর.ঈ.জি.এ মমিং ওনখিবগী মায়োক্তা কংগেসনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নেসনেল গ্রিন ত্রিব্যুনেলনা জর্মন অমদি তাইগর রোদ শেম্বা লেপবা খঙহনখ্রবসু চীং ককপদি লেপত্রি হায়বা পাউ অমসুং মণিপুরদা এন.আর.সি চত্থবা য়ারোই হায়না কুকি হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা ফোঙদোক্লি হায়বসিনা- নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর লৈঙাক্কী কেফ এন্দ পি.দি লোইশঙগী মখাদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জুমর দিস্প্যুট রিদ্রেসেল কম্মিসন অহুম পুমচাই চাইরে হায়বসিনা- হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পম্প থোং লোনবগী ইস্যু লৈঙাকা থৌৰা শাদ্রে, মখা তানা লোনখিগদৌরি, ব্লেক্তা পেট্রোল লিতরদা লূপা ১৮০ ফাওবা য়োন্নরে, মীয়াম শাওনরক্লে হায়বসিনা- সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, মণিপুর মেল য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোঙনরি।

অনিশুবা আই.এন.বি.সি.এ য়ুথ গোস্পেল ওলেম্পিক মগুইলোংদিদা হৌদোকখিবগী পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নো য়োর রুটস হায়বা হীরমদা রোংমৈ জাতিগী কামসুৰানলালগী গেট তুগেদর অৰাং খ্লদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ- তমেংলোং তাইমসতা ফোঙলি।

বি.দি.এফকী দিমান্দ পিদ্রবদি থা অসিগী ১৬ তা গভর্ণরগী গেট মমাঙদা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না বি.দি.এফকী এসোসিয়েসননা ফোঙদোকখিবা ৰাফম- সনালৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি-পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**